লাংমৈদোংদা পাঙথোকখিবা হিয়াংলম এ সীগী কোভিদ-১৯ এৱ্যের্নেস কম এনফোর্সমেন্ট কম্মিটিগী মীফমদা শরুক য়াখিবা এম এল এ রাধেশ্যামনা লায়না লাইচৎ অসিবু থেংনবদা মতেং ওইনবা শেল তেংবাঙখিবা

লামায় ৫

অসাম রাইফলসকী মন্ত্রিপুখ্রি বট্টালিয়ন অমসুং মণিপুর পুলিসকী অপূনবা কম্বাইন্দ টিম অমনা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা শামুরৌ এরিয়াদা থিবা হুস্বা চথবদা ফাগৎলবা খুৎশু-খুৎলায়শিং

লামায় ৩

কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ লাকশিন্ননবা কর্ফ্যু থম্লিঙৈ চৈরক্তা নারোন্দা য়াম্লবা কানি পুদুনা লাকপা মমা-মচা য়াওনা মীওই মরি নোংপোক সেকমাই পুলিসকী টিম অমনা ফাগৎখিবা

লামায় ৩

য়ুথস ক্লব ব্রহ্মপুরনা সী মেট্রস ৱিমেন ৱেলনেস সেন্টরগী ফাউন্দর ডা. সবানা চোংথামগা খুৎশম্নদুনা ক্লব অসিনা কোনবা মফমশিংদা লৈরিবা য়ুমথোঙশিংদা চৎতুনা কোভিদ-১৯গী এৱ্যের্নেস কেম্পেন পাঙথোকখিবা

লামায় ৪

কেস লাখ ৪.০৩ থেংনখ্রে, মীওই ৪০৯২না শিখ্রে

ন্যু দেল্লী, মে ০৯ (এজেন্সী):

ইন্দিয়াদা পুং ২৪গী মনুংদা কোভিদ-১৯গী অনৌবা কেস লাখ ৪.০৩ থেংনখ্রে। মীওই ৪০৯২না লৈখিদ্রে।

হেল্থ মিনিষ্ট্রিনা নোংমাইজিং নুমীৎকী অয়ুক্তা পীখিবা দেটা অমগী মতুংইন্না হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা ইন্দিয়াদা কোভিদ-১৯গী অনৌবা কেস ৪,০৩,৭৮৩ থেংনখিবগা লোয়ননা ইন্দিয়াগী অপূনবা কেস মশীং ২,২২,৯৬,৪১৪ শুখ্রে। ইন্দিয়াদা কেস লাখ ৪গী মথক্তা থেংনবা অসি ঙসিগা থারগা থংন-থংননা নুমীৎ হুম্নী শুখ্রে। পুং ২৪ অসিগী মনুংদা কোভিদ পোজিটিভ ওইবা মীওই ৪০৯২ শিখিবগা লোয়ননা লায়না-লাইচৎ অসিনা লৈখিদবা মশীংসু ২,৪২,৩৬২ য়ৌখ্রে। নোংমদা মীওই লিশিং ৪গী মথক্তা শিবা অসি ঙসিগা থারগা থংন-থংননা নুমীৎ মরিনি শুখ্রে।

ইন্দিয়াগী ওইনা লায়না-লাইচৎ অসি নারম্বদগী ফগৎলক্লবা কেস মশীংনা ১,৮৩,১৭,৪০৪ শুরে। অদুগা হৌজিক ফাওবদা ইন্দিয়াদা পুন্না মীওই ১৬,৯৪,৩৯,৬৬৩দা কোভিদ ভেক্সিন কাপথোকখ্রে হায়রি।

চান্দেলদা এৱ্যের্নেস প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ০৯ (ঐচএনএস):

আই জি এ আর (সাউথ)কী মীৎয়েং মখাদা চান্দেল বট্টালিয়ন্না শীনদুনা ইন্দো-ম্যান্মার বোর্দরদা লৈবা চান্দেলগী ভিলেজশিংদা কোভিদ-১৯গী এৱ্যের্নেস প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে হায়না আই জি এ আর (সাউথ)কী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, এৱ্যের্নেস প্রোগ্রাম অদুদা খুঞ্জাশিংদা কোভিদ-১৯গী লায়ওংশিংগী মতাংদা শুগায়না খঙহনখিবগা লোয়ননা লায়না-লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোক্লনবা করি করম্বা চেকশিন থৌরাং লৌখৎকদগে হায়বসু শুগায়না খঙহনখি। লোয়ননা ভেক্সিনেসন কাপ্পগী মরুওইবশিংসু থমখি। লোয়ননা তোঙান তোঙানবা হিদাক লাংথক কয়াসু খুঞ্জাশিংদা য়েন্থোকখি হায়না চেরোলদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

‘ফাজিনখিবশিং অথুবা মতমদা থাদোকপীয়ু’

ইম্ফাল, মে ০৯ (ঐচএনএস):

কৌব্রু লাইফমলেনদা সলাই তরেৎকী ফিরাল শেগায়রম্বগী মতাংদা পোষ্ট তৌরুবগা মরী লৈননা ফাজিনখিবশিং অথুবা মতমদা থাদোকপীয়ু হায়না রেজিং সন ক্লব (আর এস সী)গী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

রেজিং সন ক্লবকী প্রসিদেন্ট ওক্রম ভুমেশ্বরনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, ফেসবুক্তা ইপা-ইপুগী শেংলবা কৌব্রু লাইফমলেনদা য়ুংবা সলাই তরেৎকী ফিরাল, বেন্নরশিং য়ৈখায়-থুগায়বা থোকহল্লম্বগা মরী লৈননা ভিদিও পোষ্ট তৌরুই হায়বগী মরালদা রেজিং সন ক্লবকী হান্নগী জেনরেল সেক্রেটরি ওইরম্বা অমসুং হৌজিক হৌজিকসু ক্লব অসিগী অমদি লৈকায়গী চাউখৎ থৌরাং, শান্ন-খোৎনবগী থৌরম কয়াদা অচৌবা থৌদাং লৌরিবা থোংজু ৰাইখোম খোংনাংদগী ওক্রম অমরজিৎ এলিয়স থোই মৈতৈ (৩৫), অপোকপা লৈখিদ্রবা ওক্রম মনি অমদি থৌবাল হাওখা মনিং লৈকায়দগী লিশম বিজয়রাজ (২৩), অপোকপা এল শামুঙৌবু হৌখিবা মে ৫ অমসুং ৬তা মণিপুর পুলিসনা ফাজিনখিবনি। ফাজিনখিবা মীওই অনী অসি হৌজিক ফাওবা থাদোকপীদবা অসি মখোয়না তৌরুরিবা অসি মীতৈশিংগী ইপা-ইপুশিংগী শেংলবা লাইফমলেন অমবু শেংনা থমজনিংবা অমদি মফম অসিদা মখল অমত্তগী য়ৈখাই থিনগাইবা থোকহন্নিংদবদগী চম্না তৌখিবনি হায়না লৌই। পোষ্ট অসিনা থোইদোক্লা অতোপ্পা কাঙলুপশিংগী সেন্টিমেন্ট শোকহন্নিংবগী ৰাখল্লোন্দা তৌখিবা নত্তবনা মরী লৈনবা পুম্বনা মখল অমত্তগী কন্দিসন থমদনা মখোয় অনীবু অথুবা মতমদা থাদোকপীনবা রেজিং সন ক্লবকী মায়কৈদগী আপীল তৌজরি হায়নসু চেরোলদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

ও পি দি টিকেট লুপা ৩০ লৌরিবা করিগীনো হংলুবদা ফুরকপদগী শোক্লে

ইম্ফাল, মে ০৯ (ঐচএনএস):

লিলোং হাওরৈবী মখা লৈকায়দা লৈবা সী ঐচ সী লিলোংদা অনা-লায়েংবগী ও পি দি টিকেট ককপগী মমল লুপা ৩০ হায়রকপদগী ও পি দি টিকেটকীদমক লুপা ৩০ লৌরিবা করিগীনো হংলুবা নুপা অমা হোস্পিটালগী কম্মিটিগী মীওইনি হায়বা খরনা ফুরকপদগী শোক্লে হায়রি।

থৌদোক অদুদা শোক্লবা মীওই অদুদি লিলোং হাওরৈবী মখা লৈকায় অসেম লৈরক্তগী য়ুমখাইবম জিয়াউল হক (৩০), অপোকপা হাজি জিয়াউদ্দিন কৌই। মহাক্কী কোক, মীৎ, খোঙ অমদি খুৎতা শোকপদগী লিলোংদা লৈবা নুর হোস্পিটালদা লায়কন্নখি হায়রি।

জিয়াউল হককী য়ুমদা ঙসি পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা মহাক্লা হায়খি, মহাক্কী পীক্লিবা অঙাং ফুরি থুংবদগী য়েংনবা মহাক্কী লোয়নবীগা লোয়ননা সী ঐচ সী লিলোংদা ঙরাং নুংথিল পুং ১.৩০ রোম তাবদা চৎলুবনি। ও পি দিগী টিকেট ককপা মতমদা লুপা ৩০নি হায়রকপদগী, অতোপ্পদদি লুপা ১০/১০ খক্তা লৌই অদুগা করিগী লুপা ৩০ লৌদৌরিবনো হায়রুবদা, টিকেট কাউন্টরগী মীওই অদুনা ঐখোয় খঙদে কম্মিটিগী মীওইশিংগা ৰারী শাবীয়ু হায়রকখি। মহাক্লা কম্মিটিগী মীগা ৰারী শাগে হায়রুবদা মফম অদুদা লৈরম্বা কম্মিটিগী মীওইনি হায়বা ভেটিরিনরি দিপার্টমেন্টতা থবক তৌবা লিলোং মখা লৈকায়দগী জামে (৫০)দা কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎনা মরম ওইরগা থবক শুফম নোম্ফম লৈতদনা খম থেংনা ৰানরবা মতম অসিদা লৈঙাক্লা পীবা মমলদগী করিগীদমক্তা হেন্না লৌরিবনো হংলুবদা মহাকপু ফুবা হৌরকখি।

লোয়ননা মফম অদুদা লৈরম্বা জামেগী মচিন-মনাও অমদি মচাশিং য়াওনা ফুবা হৌরকখি। থৱায় কঞ্জনবা চেল্লবসু কোয়তান তান্নরগা ফুখি। মীওইবগী থৱায় কন্নবা লৈরিবা ডোক্তরশিং অমদি হোস্পিটালগী ষ্টাফশিংনা থৌদোক অদু য়েংদুনা লৈখি। লোয়ননা মহাক্কী নুপীনা লায়েংবীয়ু হায়জরবসু য়াদবদগী নুর হোস্পিটালদা য়েংখি। পাউ অসি তাবদগী মহাক্কী অপোকপা অমদি মনাওনুপা য়ুমখাইবম হরিশ (২২)বুসু জামে অমদি মহাক্কী কাঙবুশিংনা অকি-অখঙ পীবগা লোয়ননা ফুরকখিবা অসি থম্মোয় শোক্লা নুংঙাইতে হায়খি।

মহাক্লা মখা তানা হায়, লৈঙাক্কী হোস্পিটাল অসিবু মীওই খরনা তৌনিংবতা তৌদুনা মখোয়গী শেন্দানফম ওন্থোক্লব্রা হায়বদা হায়মনবা থোক্তে। মরমদি হোস্পিটাল অসিদা মখল মখা কয়াগী অমোৎপা তৌরে। হিদাক কাপ্পগী মমল, হিদাক কাপ্পগীদমক্তা ঙাইহাক হিপথবগী বেদ চার্জনচিংবা কয়াসু লৌরি।

টিকেটকী মমল লুপা ৩০ লৌরিবা, হিদাক কাপ্পগী মমল লৌরিবা অমদি বেদ চার্জ লৌরিবা অসিদা মরী লৈনবশিংনা অথুবদা মীৎয়েং চঙবীদুনা মরাল লৈবশিং মতিক চাবা চৈরাক পীবীয়ু।

ভেটিরিনরিগী থবক তৌবা জামে, ময়াম্বা অমদি মচাশিংনা পুং ২৪ হোস্পিটাল অসিদা লৈরগা অনাবা লায়েংবা লাকপা মীওইশিংদা গুন্দা তৌরিবা অসি মরী লৈনবশিংনা মীৎয়েং চঙবীয়ু। অচুম্বগীদমক্তা অমদি মীয়ামগীদমক্তসু ৰাফম খরা ফোঙদোক্লু বগীদমক্তা তমথীনা ফুরকখিবা থৌদোক অসিদা চেন্নরিবা মীওইশিং পুং ৪৮গী মনুংদা মরী লৈনবশিংনা মতিক চাবা চৈরাক পীবীয়ু হায়নসু মহাক্লা লৈঙাক্কী মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংগী পূক্নিং চিংশিল্লকখি।

পনবা য়াই, থৌদোক অসিগী মতাংদা ঙরাং লিলোং পি এসতা এফ আই আর অমা লৌখৎপীনবা অইবা চেরোল অমসু পীশিনখ্রে হায়রি।

লম্বী শেম্বগী তৌথোক্লগা থম্বা কোমদা এম্বুলেন্স ১ তাশিনবদগী অশোক অপন য়াওখ্রে

ইম্ফাল, মে ০৯ (ঐচএনএস) :

নেসনল হায়ৱে ১০২গী লম্বী পাকথোকপদা লম্বীগী নাকলদা তৌথোক্তুনা থম্বা কোমদা এম্বুলেন্স অমা অনাবা পুরগা লাকপদা কোমদা তাশিনবদগী অশোক অপন নংখ্রে।

থৌদোক অসি ঙসি নুমীদাং পুং ৮ তারমদাইদা থৌবাল পুলিস ষ্টেসন অমদি থৌবাল দি সী ওফিসকী মরক্তা থোকখিবনি। ৰাংজিং লোমদগী অনাবা পুরগা লাকপা এম্বুলেন্স অদুনা ইম্ফাল তম্না লাকপদা থৌবালগী দি সী ওফিসকী গেটকী অৱাং থংবা নাকনদা হান্না লম্বী পাকথোকপগী তৌথোক্তুনা থম্বা অদুদা করি অমত্তা খাজিল্লমদবনা এম্বুলেন্সকী দ্রাইভর অদুনা লম্বী ওইরবোই নিংদুনা থৌদরুবদগী গাড়ি অদু তাশিনখিবনি হায়রি।

এম্বুলেন্স অদুদা দ্রাইভর অমদি অনাবা অদুগা মখোয় অনীখক্তুং তোংলকখিবনি। থৌদোক অদুদা মখোয় ২ কা হেন্নদি শোকখিদে হায়রি। মীয়াম্না লম্বী পাকথোকপদা কোম তৌথোক্তুনা থম্লগা করি অমত্তা খাজিন্দনা অমদি সাইন বোর্দনচিংবা থমদবগী থৌওং অদুদা পেন্দবা ফোঙদোক্লখি হায়রি।

কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎকী লুরবা তানফম অসিদা খোঙজং চঙশিনবা লেপ্পীয়ু : রাজেন

ইম্ফাল, মে ০৯ (ঐচএনএস):

কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎকী লুরবা তানফম অসিদা মরম চাদবা মওংদা মখল খূদিংমক্কী খোঙজং চঙশিনবা লেপ্পীয়ু হায়না এদ্যুকেসন অমসুং ফিশরিগী মিনিষ্টর এস রাজেননা ফোঙদোরক্লি।

ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা সলামদা লৈবা মিনিষ্টরগী য়ুমদা ঙসি পাউমীশিংগা উনবা অমদা দিষ্ট্রিক্ট ফিশরি ওফিসর (দি এফ ও) চান্দেলগী ট্রান্সফর পোষ্টিংগী মতাংদা শেংদোক্লদুনা মথক্কী ৰাফম অসি মিনিষ্টর এস রাজেননা ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্লা হায়খি, দিষ্ট্রিক্ট ফিশরি ওফিসর (দি এফ ও) চান্দেলগী ট্রান্সফর পোষ্টিংগী মতাংদা চান্দেল দিষ্ট্রিক্ট ফিশরি ফার্মরস দিভেলপমেন্ট কম্মিটিনা খোঙজং চঙশিনবগী মতাংদা পাউ ফোঙলকপা থেংনরে। দি এফ ও চান্দেলগী চার্জ পুরম্বা প্রোজেক্ট ওফিসর কে ঐচ ইবোতোম্বা অসি দিপার্টমেন্ট অসিগী হেদ ওফিসতা এটেচ তৌদুনা য়ুটিলাইজ তৌরগা লৈরকখিবনি। অদুবু হন্দক্কী ভেকেসন অসিদা ফিশরি ইন্সপেক্টর সুনপি পিখমবু ইন চার্জ বেসিসতা দি এফ ও চান্দেলগী চার্জ পীখিবনি। অদুমকপু মণিপুর হায় কোর্টনা পীখিবা ভর্দিক অমগী মতুংইন্না কে ঐচ ইবেমহলবু দি এফ ও চান্দেল ওইনা অমুক হন্না মথৌ পুহন্নবা খঙহল্লকখি। হায় কোর্টকী জজমেন্ট অসি লৈঙাক্লা মতম পুম্নমক্তা ঈকায় খুম্নবগা লোয়ননা থবক্তা ওন্থোক্লনি।

থৌশিল অসি কোর্টকী জজমেন্ট মতুংইন্না পায়খৎখিবা ওইবনা চান্দেল দিষ্ট্রিক্ট ফিশরি ফার্মরস দিভেলপমেন্ট কম্মিটিগী মেম্বরশিংনা চঙশিল্লিবা খোঙজং অসি হন্দোকপীনবা আপীল তৌজরি হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

মণিপুর ভবনগী খুথাংদা দেল্লীদা লৈরিবা মণিপুরীশিংদা লৈঙাক্লা তেংবাঙবগী থবক চথরি

ইম্ফাল, মে ০৯ (ঐচএনএস): মণিপুর ভবন, ন্যু দেল্লীগী খুথাংদা দেল্লীদা লৈরিবা মণিপুরীশিংদা ষ্টেট লৈঙাক্লা তেংবাঙ পীবগী থবক চথরি হায়রি।

লৈঙাক্লা পায়খৎলক্লিবা থৌরাং অসিগী শরুক অমা ওইনা মণিপুর ভবন, ন্যু দেল্লীদা ওক্সিজেন সিলিন্দর ১০গা কোন্ননা ওক্সিজেন সিলিন্দর বেঙ্ক অমা হাংদোকখ্রে। ওক্সিজেন সিলিন্দর বেঙ্ক অসিনা মেদিকেল প্রেস্ক্রিপসন নৎত্রগা রিপোর্টকী মতুংইন্না মহৈরোয় লূপশিংগী খুথাংদা অনাবশিংদা ওক্সিজেন ফংহনগনি। দেল্লী গভর্ণমেন্টনসু হায়রিবা ওক্সিজেন সিলিন্দর অসি ফিল্লিং তৌবগী এরেঞ্জমেন্ট তৌবীবগা লোয়ননা ভবনগী ওথোরিটিনা এসিষ্ট তৌরগা মণিপুরীশিংদা মথৌ তারকপগী মতুংইন্না ওক্সিজেন ফংহনগনি।

কে এস ও, জিলাই, তাংখুল ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন, এন এস য়ু দি, জেদ এস য়ু দিনচিংবা মহৈরোয় লূপশিংগী খুথাংদা ঙসি ওক্সিজেন সিলিন্দর কয়া ইস্যু তৌখ্রে।

দেল্লীদা লৈরিবা মণিপুরীশিংনা শীজিন্ননবগীদমক মহৈরোয় লূপশিংদা মণিপুর ভবনগী মায়কৈদগী ওক্সিমিটর ২০০, এন-৯৫ মাস্কশিং অমদি সেনিটাইজর কয়াসু পীখ্রে। মণিপুর ভবনগী মেদিকেল ওফিসরদা টেলি কন্সল্টেসন তৌবগী খুদোংচাবসু পীরি। মসিগীসু মথক্তা মণিপুরগী কোভিদ হেল্প লাইন নম্বরশিং অমদি রিমসকী মেন্টেল হেল্প লাইন নম্বরসু স্যের তৌদুনা তোঙান তোঙানবা লোলশিংদা তাথোক তাশিনগী খুদোংচাবসু ফংহল্লি।

য়ুমদা আর টি পি সী আর টেষ্ট তৌবগী খুদোংচাবা ফংহন্ননবা মণিপুর লৈঙাক্লা লন্নাই প্রাইভেট দাইগ্নোষ্টিক লেবোরেটরি অমগা টাইদঅপ তৌরে। হায়রিবা লেবোরেটরি অসিনসু দেল্লীদা লৈরিবা মণিপুরীশিংগীদমক টেষ্ট তৌবদা দিস্কাউন্ট পীবা হায়নসু য়ানরে। মণিপুর ভবননা মহৈরোয় লূপশিংগী খুথাংদা মফমদুদা লৈরিবা মণিপুরীশিংগা পাউ ফাওননবা থবক কয়াসু লৌখৎলি হায়রি।

স্কুলশিং শাবা লোইশিল্লমদ্রে, কা শান্দোক্লম্বা অমদি শঙ্গোই ওন্থোক্লম্বা য়াওরে : এম এস এফ

ইম্ফাল, মে ০৯ (ঐচএনএস):

জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা প্রাইমারী স্কুল তরুক অমদি অপ্পর প্রাইমারী স্কুল অমা পুন্না স্কুল তরেৎ শাবা লোইশিল্লমদ্রে। স্কুলশিং অসিগী কা শান্দোক্লম্বা অমদি শঙ্গোই ওন্থোক্লম্বা থেংনরে হায়না মণিপুরী ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন (এম এস এফ) দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটি জিরিবামগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

এম এস এফ দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটি জিরিবামগী প্রসিদেন্ট অতোম রজিৎনা ফোঙদোকখিবদা, এম এস এফ দিষ্ট্রিক্ট কম্মিটি জিরিবামনা লাইরিক নীংথিনা তমসি হায়বা কেম্পেন্যনগী শরুক অমা ওইনা জিরিবামদা লৈরিবা স্কুলশিংদা চৎতুনা য়েংশিল্লুবা মতমদা কুমজা ২০১২-১৩গী বডজেটতা য়াওবা অদুগা কুমজা ২০১৪-১৫দগী শাবা হৌখিবা প্রাইমারী স্কুল তরুক অমদি অপ্পর প্রাইমারী স্কুল অমা পুন্না স্কুল তরেৎ অসি শাবগী ফার্ষ্ট ইন্সটোলমেন্ট অমদি সেকেন্দ ইন্সটোলমেন্টকী শেনফম লৌথোকখ্রগা স্কুলশিং অসি ঙসি ফাওবা শাবা লোইশিল্লমদবা অসি এম এস এফনা য়ানিংদে।

শাবা লোইশিল্লমদবা স্কুলশিং অদুদি রসিদপুর প্রাইমারী স্কুল, গোৰাখল চীংদোং লৈকায় প্রাইমারী স্কুল, নিংথেম্বম পার্ট টু প্রাইমারী স্কুল, দোলাখল প্রাইমারী স্কুল, ৰাখল প্রাইমারী স্কুল, সলুকফাই প্রাইমারী স্কুল অমসুং বাখল অপ্পর প্রাইমারী স্কুলনি।

শাবা লোইশিন্দনা লৈরল্লিবা স্কুল অসি লন্নাই মীওই কয়ানা ইংখোল কোয়শিনবা, য়ুম ওন্থোকপা, কা ভারা শান্দোকপা অমদি শঙ্গোই ওন্থোকপনচিংবা তৌদুনা লৈরল্লে। মসি মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংগী খুৎ য়াওব্রা হায়বগী চিংনবা লৈ। মরম অসিনা হীরমসিগী মতাংদা এদ্যুকেসন মিনিষ্টর অমদি মরী লৈনবশিংনা মীৎয়েং চঙবীদুনা মতিক চাবা এক্সন লৌখৎপীয়ু হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

‘কৌব্রু লাইফমলেনদা মরিং-মরাংবা থবক তৌরে হায়না লৈপাক মীয়ামদা পাউদম্লুবা ইপসাগী থৌমী কন্দিসন য়াওদনা থাদোকউ’

ইম্ফাল, মে ০৯ (ঐচএনএস):

কৌব্রু লাইফমলেনদা মরিং-মরাংবা থবক তৌরে হায়না লৈপাক মীয়ামদা পাউদম্লুবা ইপসাগী থৌমী কন্দিসন য়াওদনা থাদোকউ হায়না ইন্টরনেসনল পিছ এন্দ সোসল এদভান্সমেন্ট (ইপসা)গী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

ইপসাগী ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিক রিলেসনগী সেক্রেটরি টি কে মীতৈনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, কংলৈপাককী য়েলহৌ-ফুরুপশিংগী য়াম্না মরুওইবা লাইফমলেন অমা ওইরিবা ‘কৌব্রু লাইফমলেন’গী মতাংদা মফম অদুদা লাই খুরুম্বা লাকখিবা মীশিংনা য়ুংলম্বা লাইনিং অমদি য়েক-সলাইগা মরী লৈনবা ফিরালশিংবু ককথৎতুনা মাঙহনবা অমদি লমদমসিগী সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসন কয়াগী মীওইশিংনা লাইফমলেন অদুগী অকোয়বগী ফীভম ঙাক্লবা হোৎনদুনা থারম্বা উ-চারা কয়া ফুক্তৎতুনা মাঙহল্লে হায়বনচিংবা ৰাফম খরা সোসল মীদিয়াদা থাগৎলুবগা মরী লৈননা ফাজিনখিবা ‘ইন্টরনেসনল পিছ এন্দ সোসল এদভান্সমেন্ট’ (ইপসা)গী এসিষ্টেন্ট ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরি ওইরিবা ওক্রম অমরজিৎ এলিয়স থোইবু লৈঙাক্লা কন্দিসন অমত্তা য়াওদনা খুদক্তা থাদোকপীনবা লূপ অসিনা লৈঙাক্কী পূক্নিং চিংশিঞ্জরি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, এন্টি সোসল ওইবা মীওইশিংবু লৈঙাক্লা ফাদুনা ৰারক-ৰাতেম্বীবগী মহুৎতা এন্টি সোসল ওইবা থবক থৌরমশিং অদুগী পাউদম ফোঙদোক্লু বা মরাল লৈজদবা মীওইশিংবু ফাজিন্দুনা থমজিনবা অসিদা লূপ অসিনা মরী লৈনবা ওথোরিটি অমদি লৈঙাক অসিদা কয়ারক হন্না থাদোকপীনবা হায়জরবসু তাবীদনা তুমীন্না লৈশিনবগী থৌওং অসিমক্তি কংলৈ মীয়াম অমদি তুংগী মীরোলগীদমক মাঙজিল থানা চেঞ্জ-চোংজরিবা লূপ অমবু ঈকায়বা পীবনি হায়না লৌদবা ঙমদে।

কোভিদ-১৯গী তমথিরবা লায়না-লাইচৎ অসিগী লুরবা তানফম অসিদা ইপসা অমদি লূপ অসিগা ৰাখল্লোন মান্ননা পুন্না চৎমিন্নরিবা ইমা লূপশিং অমদি মীয়াম্না লৈঙাক্কী থৌওংগী মায়োক্তা খোঙজং কয়া চঙশিন্দুনা লৈঙাকপু কোক চিকহনবগী থৌওংবুসু লূপ অসিনা পামদবদগী, মদুগী মহুৎতা পুন্না ৰাখল তামিন্নবগী থৌশিল্লোমদা চঙশিল্লিবা অসিদা লৈঙাক্লসু খঙবীদুনা ইপসাগী পান্দম অসিবু তরাম্না ওকফম থোকপনি।

তশেংনমক্তি, লূপ অসিগী এসিষ্টেন্ট ইনফোর্মেসন এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরি ওইরিবা ওক্রম অমরজিৎ এলিয়স থোইনা কাঙলুপ-ফুরুপ নাইবা ৰাখল্লোন অমদি কনাগুম্বা ফুরুপ অমত্তগী মায়োক্তা অতম্ননা মশাগী মরন্নাই ওইবা ৰাফম ফোঙদোকখিবা লৈতে। শুপ্নতগী ফেসবুক পোষ্ট অদুদা থাগৎলুরিবা ফেসবুক পেজ অদুগী এদমিন অমা ওইরুবখক্তনি। অমরোমদা মহাক মরাল লৈতে। কৌব্রু লাইফমলেনদা মরিং-মরাংবা থবক তৌরে হায়না লৈপাক মীয়ামদা খঙহনবা হায়বসি কংলৈচা অমগী রাইটনি হায়না ইপসানা লৌই। কাঙলুপ-ফুরুপকী খেন্নবা লৈতনা লমদমসিগী মীয়ামগীদমক্তা মাঙ-থানা চেঞ্জ-চোংজরিবা লমদমসিগী সী এস ওশিংগী মরক্তা ‘ইন্টরনেসনল পিছ এন্দ সোসল এদভান্সমেন্ট’ (ইপসা) সু অমনি। অসিগুম্বা লূপ অমগী অচঙবা থৌমী অমবু মরাল ইরৈ লৈতনা ফাজিন্দুনা থমজিনবা অসিদা লূপ অসিনা অমদি লূপ অসিগা ৰাখল্লোন মান্ননা পুন্না চৎমিন্নরিবা কংলৈপাককী ইমা লূপ কয়ানসু তুমীন্না লৈশিনবা ঙম্লক্তবা য়াই। মরম অসিনা ওক্রম অমরজিৎ এলিয়স থোইবু কন্দিসন অমত্তা য়াওদনা খুদক্তা থাদোকপীনবা অমুক্কসু হান্না লৈঙাক্কী পূক্নিং চিংশিঞ্জরি।

নাকল অমরোমদা, কংলাতোংবী রিজার্ভ ফোরেষ্ট এরিয়াদা লোগী ৰাংমদা খুন্দাশিল্লিবশিং খুদক্তা লৈঙাক্লা তকথোকপীয়ু। কৌব্রু লাইফমলেনগা মরী লৈনবা মফমশিং হিষ্টোরিকেল মোন্যুমেন্ট এক্তকী মখাদা প্রোটেক্টেদ এরিয়া ওইনা থিন্দুদনা লাউথোকপীয়ু অমদি মসিগী অকোয়বগী ফীভমশিং ঙাক্লবা হোৎনবদা কাঙলুপ-ফুরুপকী খেন্নবা থমদনা পুন্না ঙাক-শেনমিন্নবগী ৰাখল্লোন্দা থবক পায়খৎমিন্ননবা লৈঙাক্লা হোৎনবীয়ু অমসুং হীরমশিং অসিদা লূপ অসিনসু অঙম্বা থাক্তা লৈঙাক্কী মতেং পাংননবা শেম-শারি। লোয়ননা ফাজিনখিবা লূপ অসিগী থৌমীবুসু তেক্ত-কায়দনা কন্দিসন অমত্তা য়াওদনা থাদোকপীনবা লূপ অসিনা আপীল তৌজরি হায়নসু চেরোলদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

এৱ্যের্নেস কেম্পেন্যন পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ০৯ (ঐচএনএস):

য়ুথস ক্লব ব্রহ্মপুরনা এপ্রিল ২৮দগী চথরকখিবা কেম্পেন্যনগী শরুক অমা ওইনা ঙসিসু সী মেট্রস ৱিমেন ৱেলনেস সেন্টরগী ফাউন্দর ডা. সবানা চোংথামগা খুৎশম্নদুনা ক্লব অসিনা কোনবা মফমশিংদা কোভিদ-১৯গী এৱ্যের্নেস পাঙথোকখ্রে।

কেম্পেন্যন অদুদা মীয়াম্না মতৌ করম্না এস ও পিশিং নীংথিনা ঙাক্লা চৎকদগে হায়বগী মতাংদা শুগায়বা ৰাফম কয়া থমখি। ডা. সবানা চোংথামনসু ফেস মাস্ক, হেন্দ সেনিটাইজর অমসুং হিদাক লাংথক কয়াসু য়ুথস ক্লব ব্রহ্মপুরদা তেংবাঙ পীরমখি। লোয়ননা ক্লব অসিনা য়ুমথোঙ খূদিংদা ইসেন্সিএল আইটেমশিং য়েন্থোকপগী থবক্তসু তেংবাঙলমখি হায়নসু য়ুথস ক্লব ব্রহ্মপুরগী জেনরেল সেক্রেটরি সাপম ইটালিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, মে ০৯ (ঐচএনএস):

মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা কলচরেল ওর্গনাইজেসনশিংগী অপূনবা এপেক্স বোদি অমা ওইনা লৈরিবা কলচরেল ৱর্করস এন্দ এক্তিভিষ্ট ফোরম (সী দব্লিয়ু এ এফ) মণিপুরগী ফাউন্দর এগজিক্যুটিভ মেম্বর অমসুং হৌজিক হৌজিক্লা এদভাইজরি কম্মিটিগী মেম্বর ওইরিবা শক্লাইরবা ঠিএটর দিরেক্টর চিংথাম বনিকান্তনা খঙহৌদনা লৈখিদবদা সী দব্লিয়ু এ এফ মণিপুরগী মায়কৈদগী থম্মোয় শোক্লা অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

শক্লাইরবা ঠিএটর দিরেক্টর অসিনা লৈখিদবা অসিনা মণিপুর ঠিএটরগী ফম্বাক্তা অমুক হন্না মেনশিনবা ঙম্লরোইদবা অচৌবা মাঙজবা অমা ওইহৌরগনি। লৈখিদ্রবগী ইমুং-মনুংনা নংহৌরিবা অৱাবদসু সী দব্লিয়ু এ এফনা শরুক য়াজরি হায়না সী দব্লিয়ু এ এফকী জেনরেল সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোলনা ফোঙদোরক্লি।

অনাবশিংদা করম্বা খুদোংচাদবশিং লৈবগে হায়বগী মতাংদা মহৈরোয় লূপ ৬কী অখন্নবা টিমনা হোস্পিটালশিংদা য়েংশিনবা হৌখ্রে

ইম্ফাল, মে ০৯ (ঐচএনএস):

ষ্টেট অসিদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা হোস্পিটালশিংদা নন-কোভিদ পেসেন্টশিংবু করম্বা মওংদা লায়েংলিবগে, হোস্পিটালশিংদা করম-করম্বা খুদোংচাদবা থেংনবগে অমদি পেসেন্টশিংদা করম্বা খুদোংচাদবা লৈবগে হায়বগী মতাংদা মহৈরোয় লূপ ৬ হায়বদি এম এস এফ, এমসু, দেসাম, কে এস এ, সুক অমসুং এইমসকী অখন্নবা টিম অমা শেমদুনা ঙরাংদগী য়েংশিনবা হৌখ্রে হায়রি।

ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এমসু)গী প্রসিদেন্ট হাওবিজম চলাম্বা, অপূনবা ইরৈপাক্কী মহৈরোয় শিনপাংলূপ (এইমস)কী প্রসিদেন্ট সাইখোম প্রেমচান, দেম্মোক্রেটিক ষ্টুদেন্টস এল্লাইয়েন্স ওফ মণিপুর (দেসাম)গী প্রসিদেন্ট নামৈরাকপম ইদিসন, কংলৈপাক ষ্টুদেন্টস এসোসিএসন (কে এস এ)গী প্রসিদেন্ট নিংথৌজম চেতন, মণিপুরী ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন (এম এস এফ)কী প্রসিদেন্ট বিদ্যাসাগর অমসুং ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন ওফ কংলৈপাক (সুক)কী প্রসিদেন্ট ধনকুমার নিংথৌজানা পুন্না থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, মহৈরোয় লূপ তরুক্কী অখন্নবা টিম অমনা চথখিবা য়েংশিন খোঙচৎ অদুদা হোস্পিটাল অহুম য়েংশিনখ্রে।

য়েংশিনখ্রবা হোস্পিটালশিং অদুদি ইম্ফাল হোস্পিটাল এন্দ রিসার্চ সেন্টর, মাদরস ক্যের চিলড্রেন হোস্পিটাল অমদি স্কাই হোস্পিটাল এন্দ রিসার্চ সেন্টরনি। মহৈরোয় লূপ তরুক্কী অখন্নবা টিমনা হোস্পিটালশিংদা য়েংশিল্লুবদা হোস্পিটালগী ষ্টাফশিংনা নন-কোভিদ পেসেন্টশিংবু নীংথিজনা লায়েংলম্বগী মমি তারমখি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, ইম্ফাল হোস্পিটাল এন্দ রিসার্চ সেন্টরগী ইমর্জেন্সিগী ওইনদি খুদোংচাবা লৈরমদে। অদুবু ওক্সিজেনগী ওইনদি ৩০ লৈরম্মী। নন-কোভিদ পেসেন্ট স্ক্রিনিং তৌরগা টেম্পরেচরগী মতুংইন্না টেষ্ট তৌই অমদি আই সী য়ুগী বেদ ৮ লৈরম্মী। ভেন্টিলেটর শুপ্নতগী অমখক লৈরম্মী। পেসেন্ট পার্টিদা পোজিটিভ ওইবা য়াওরগা ইম্ফাল ৱেষ্টকী সী এম ওদা রিফর তৌই। ও পি দিনা নোংমা কাল্লগা য়েংবগী সিষ্টম তৌরম্মী।

মাদরস ক্যের চিলড্রেন হোস্পিটালগী ওইনা নন-কোভিদ পেসেন্টশিং লোয়নমক লায়েংই। আই সী য়ুসু মতিক চানা লৈরম্মী। ওক্সিজেনগী অৱাৎপসু পেসেন্টতা লৈরম্বা উদে। ডোক্তর, নর্স অমদি ষ্টাফশিংদি চয়োল খূদিংগী টু নেটতা টেষ্ট তৌই হায়রি।

স্কাই হোস্পিটাল এন্দ রিসার্চ সেন্টরগী ওইনা নন-কোভিদ পেসেন্টশিং আর এ টি কিটতা টেষ্ট তৌরগা চঙহল্লি। আই সী য়ু ভেন্টিলেটর ৫ লৈরম্মী। পেসেন্টশিংনা লাকপা মতমদা লায়ওং উংলগদি আর এ টি কিটতা টেষ্ট তৌরগা চঙহল্লি অমদি ওক্সিজেনগী ওইনদি অৱাৎপা লৈরমদে।

প্রাইভেট হোস্পিটালশিংদা পেন্দেমিক অসিনা মরম ওইরগা মতম-মতমগী খুদোংচাদবশিং অসি লৈঙাক্লা খুৎশম্নবীদুনা মপুং ফানা অনা-লায়েংশঙ ওইহনবীয়ু। মতম কুইনা মীয়ামগীদমক হোৎনবীদুনা লাকপীরিবা ডোক্তর, নর্স অমদি ষ্টাফশিংবু মহৈরোয় লূপ তরুক্কী মায়কৈদগী থাগৎপা অমদি ঈকায় খুম্নবা উৎচরি। লোয়ননা মতুং তারকপদসু মীয়ামগী থৌগল মপুং ফানা পাঙথোকপীনবা হায়জরি। য়েংশিন খোঙচৎ অসি মখা তানা চথখিগনি অমদি মীয়ামগীদমক্তা মহৈরোয় লূপ তরুক্লা লেপ্পা লৈতনা হোৎনখিগনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।